স্টেনোগ্রাফিঙ

মণিপুরীতোন

আনন্দ লোংজম

. ।পুর য়ুনিভর্সিটি রিসার্স ক্লব, এম.য়ু. ইম্ফাল

ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯤꯂꯣꯟ

মণিপুরী লোন

আনন্দ লোংজম

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি রিসার্স ক্লব, এম.য়ু. ইম্ফাল

মণিপুরীলোন

আনন্দ লোংজম

ফোংবা	-	মণিপুর য়ুনিভর্সিটি রিসার্স ক্লব, এম.য়ু. ইম্ফাল
অহানবা পুথোকপা	-	২০০৭
কোপী মশিং	-	৫০০
মমল	-	৯৫/-
নম্বা	-	বিসাল প্রেস, থোংজু পেচু লম্পাক, কাঞ্চিপুর -০০৩



Vice Chancellor

Manipur University Canchipur
Imphal- 795003
Manipur, India

Message

I am glad to learn that Manipur University Research Club in collaboration with Manipur University Students' Union is publishing a book entitled **Manipurilon,** *written by Anand ...gyam*

I understand that this book contains articles on various aspects of the Languages spoken in Manipur viz Meiteilol and various other tribal languages/dialects. I hope this book will be of much help in understanding the languages and culture of Manipur.

... author Manipur Un... search Club and Manipur University Students' Union in their effort and wish the book all success.

C.Amuba
Vice Chancellor
26th Feb.,2007

ৱাহৌদোক

লাইরিকসিগী মরু ওয়বা পান্দমদি মীতৈলোনদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ৱাহৈ মখলশিং পুথোক্নুনা লোনসিগী মশক করিনো থিবনি । মীতৈলোনদা মান্নবা ৱাহৈ (synomyms), ৱাহন য়াম্বা ৱাহৈ (Homonyms) য়াম্না লৈ । ৱাহৈশিংসি ভার্বতসু, নাউনদসু লৈ । **Reduplication, eco-word, compound word , phrase, idiom** ওয়না লৈবসু য়াওরি । নুমিৎ, ফৌ, ইতু, ইৱা, নিংথৌ, মতম নচিংবা ৱাহৈশিংসি মান্নবা ৱাহৈ কয়ামরুম লৈ । ৱাহৈশিংসি লোন অমখক্তগীদি ওয়ফম থোকতে। থাই, পাই, ৱাই, তাই, ওয়, শিবা নাচিংবা **phonological word** (হায়দোরকপা তাবদগী খঙবা) অর্থ য়াম্না লৈবা ৱাহৈ কয়াসু ফংই । **Ono-mastic word** খঙনবা বাহৈদি য়াম্না লৈখ্রে । হায়হৈ পলহৈদবা, চৈবা, অকামপেৎ, তোকঙা, নোলুকপা, হাযজবগী ৱাহন পুবা ৱাহৈ কয়াসু **agglutination** লোন ওযদুনা তপশিন তপশিন্দুনা শেম্বা য়াই । মীতৈলোনগী খ্বাইদগী লুবদি **Grammatical category** পিবসিনি । চপ চপ চনা পীবা যাদবা **fussion form** ওয়বা কযা লৈ । **Tense** অমদি **tone** চপ চনা তাকপদা ৱাই । বনানগী মতাংদদি খ্বাইদগী শাৎথিনা চনৈনৈ। নোংমা নোংমাগী চংশিনলক্লিবা ৱাহৈ কযাশিংগী বনানশিংদি অঙকপনি। হান্না খঙলবা বনানশিংগীসু অহোংবা অওনবা কয়া লাকই । থিংউবসু য়ারোয় । মাঙখ্রবা, মুৎখিদৌববা ৱাহৈ কয়াসু লৈরি । অরিবা ৱাহৈদগী অর্থ ওনখিবা কয়াসু লৈরি । লোনশিগী ৱাহৈগী *মশক, মওং, লিচৎ, ৱাহন, খোনথোক* পুম্নমকী খঙগে, থিগে, নৈনগে হায়রবদা মদুগী মতিক চবা মতেং ওয়বা য়াবা লোনসিগী লাইরিক মপুং ফানা

লৈতে। মরম কয়াসিদগী থরদং মতেং ওয়গদ্রা থনজবদগী লাইরিকশি পুথোকচবনি।

লাইরিকসিবু পুথোকনবা হোৎনবদা মতেং পাংবিখিবা ইচল সুবাসিনি, আর কে ইবেয়াইমা, পুইন্যপতি, রোমোলা, রঞ্জিতানচিংববু থাগৎচরি। অদুগা খ্বাইদগী মরু ওয়না *ঐবু করিসু তৌদে, কৈদৌরগা লৈ?* হায়না হন্না হন্না ঙাংবি চৈবিদুনা, ইনিংবা, ফোংনিংবা, তৌহন্নিংবগী ইহুন অমদি থৌনা হাপপিখিবা ঐগী রিসার্সপু লমজিংবিরিবা ওজা প্রো: সাপম তোম্বা সিংহবু হন্না-হন্না থাগৎচরি।

আনন্দ লোংজম

তাং ২৪-২-২০০৭

লমতা থাংজ,

এম.য়ু.মেন্স হোস্টেল

ইম্ফাল।

মণিপুরীলোন

আনন্দ লোংজম

১.মীতৈগী য়ুম্নাক মমিং

য়ুম্নাক হায়বসি মলেমসিগী ফুরুপ খুদিংমক্তা লৈবসু লৈতবসু য়াওই । মী অমগী মমিংদা য়ুম্নাক হায়বসিনা মীদুগী চৎনবী (কলচর), পুৱারি, লোনগী মশক্লচিংবা তাকই । মণিপুরগী চীংমীশিংগী য়ুম্নাক চপ চানা লৈ হায়বদি য়াদবা মান্নবা মওং খরদি লৈ । য়ুম্নাক হায়বসি মীতৈগী য়েক শলাইগা নক্লবা মরি লৈনৈ । য়েক্কা মরি লৈনদবা; শিনফম, লৈফম, হৌরকফম , ওয়রকফমগা মরি লৈননা থোনখিবসু য়াওই । মতাংসিদা মীতৈগী য়ুম্নাকপু লোনগা মরি লৈননা নৈনজরি ।

১. ভাৱেলনা হৌবা :-

১. অহৈবম, অখাম

২. ইরোম, ইরুংবম

৩. উশম, উরিকশাবম

৪. এলাংবম

৫. ওইনাম

২. সেমি ভৱেলনা হৌবা :-

১. ব্ৰাইখোম, ব্ৰাইরোকপম

২. য়েংখোম, য়ুম্নাম

৩. ইসতোপ কোনসোনেলনা হৌবা :-

১. বাচ্চপতিময়ুম

২. পাওনম, পেবম

৩. তাকয়েনজম, তখেল্লম্বম

৪. ফৈরোইজম, ফুরিৎশাবম

৫. খোইরোম, খোমদ্রাম

৬. কাংওবম, ককচিংতাবম

৭. থাংজম থোঙাম

৪. এফ্রিকেৎ কোনসোনেলনা হৌবা :-

১. চকপ্রম, চনম, চান্দম

৫. ফ্রিকেতিপ কোনসোনেলনা হৌবা :-

১. সরাংথেম, সোরাম

২. হাওবম, হুইদ্রোম

৬. লেতরেল কোনসোনেললনা হৌবা :-

১. লাইরেনজম, লাইরেনময়ুম

মীতৈগী য়ুম্লাক্কী ব্রাহ্মীগী অরোয়বগী মওং কুনমাপললোম (২৯) লৈ।

খুদমশিং মখাদা পিজরি :-

১. খম-চিংঙাখম
২. চম-তেকচম
৩. জম-থাংজম
৪. দম-ইঙুদম
৫. নম-পাওনম
৬. পম-শাপম
৭. বম-মাইবম
৮. সম-সোরাইসম
৯. রম-লাইশ্রম
১০. ঙাম-থোঙাম
১১. থাম-চিংথাম
১২. নাম-ওইনাম
১৩. বাম-সনাবাম

১৪. রাম-সোরাম
১৫. লাম-সলাম
১৬. শাম-কৈশাম
১৭. য়াম-থিয়াম
১৮. থেম-ব্রাংথেম
১৯. থেম-অহনথেম
২০. দেম-খাইদেম
২১. রেম-নাওরেম
১২. বেম-য়ামবেম
২৩. লেম-তিলেম
২৪. খোম-সাইখোম
২৫. চোম-থোকচোম
২৬. ঙোম-ঙাঙোম
২৭. মোম-মাইমোম
২৮. রোম-খোইরোম
২৯. য়ুম-লাইময়ুম

য়ুম্নাক্কী অরোয়বদা 'ম' লোয়না তপশিল্লগা শেমই। শেম্বগী মওং খুদমগা লোয়ন্না পিজরি।

খুদম

১. ভার্ব + ম :-

১. ঙাংব + ম = ঙাংবম

২. পেব + ম = পেবম

৩. সোইব + ম = সোইবম

৪. কোইব + ম = কোইবম

২. অ + ভার্ব + ম অমসুং ই + ভার্ব + ম

১. অ + শাংব + ম = অশাংবম

২. অ + হৈব + ম = হৈবম

৩. অ + য়েকপ + ম = অয়েকপম

৪. অ + য়াংব + ম = অয়াংবম

৫. ই + লেংব + ম = ইরেংবম

৬. ই + লুংব + ম = ইরুংবম

৩. নাউন + ভার্ব + ম

১. লাইরিক+লেংব + ম= লাইরিকলেংবম

২. চিং+শুব+ম = চিংশুবম

৩. খুরাই+লাকপ +ম = খুরাইলাকপম

৪. লাইরেন+লাকপ+ম = লাইরেনলাকপম

৫. খাগি+লাকপ+ম = খগিলাকপম
৬. তেন+শুব+ম = তেনশুবম

৪. 'ব' লৌথোকপা অমসুং 'ব' লৌথোক্লগা 'ন' অমসুং 'ঙ' না 'ম' ওনখিবা ।

নাউন+ভার্ব

১. উ + সমব = উসম
২. লি + সমব = লিসম
৩. পাউ + নমব = পাউনম
৪. চোং + থাংব = চোংথ্াম
৫. সোই + লানব = সোরাম

৫. নাউন + নাউন

১. নেৎপ + লম = নেপ্রম
২. ওকপ + লম = ওক্রম
৩. থম্বাল + ময়ুম = থম্বালময়ুম
৪. ব্রাংখৈ + ময়ুম = ব্রাংখৈ ময়ুম
৫. সঙাই + মফম = সঙাইফম

৬. নাউন + ভার্ব + নাউন + ম

১. সা + থোকপ + ফম = সাদোকপম

৭. নাউন + নাউন + ভার্ব + ম

১. শামু + লাই + লাৎপ + ম
= শামুলাইলাৎপম
২. কোংব + লাই + লাৎপ + ম
= কোংব্রাইলাৎপম

মথক্কী খুদমশিংসিগী মনুং চন্দবা য়ুম্নাক খরসু লৈরি । মণিপুরদা পুন্না য়ুম্নাক চনিপাল (৮০০)গী মথক্তা লৈ । মীতৈ পাঙলগী ওয়না হুমফু(৬০)গী মথক্তা লৈ ।

------

২. লম মমিং থোনবা

১. মী মমিং য়াওবা লম মমিং :-

১. থাংমৈবন খোমদ্রাম শেলুংবা লৈকাই, ইম্ফাল
২. থাংমৈবন হিজম দেৱান লৈকাই, ইম্ফাল
৩. বীর টিকেন্দ্রজিৎ রোড,ইম্ফাল
৪. থাংমৈবন লিলাসিং খোংনাং মখোং,ইম্ফাল
৫. থঙ্গাল রোড,ইম্ফাল
৬. দিঙকু রোড,ইম্ফাল
৭. বীর টিকেন্দ্রজিৎ পার্ক,ইম্ফাল
৮. নাতুম চীং,ইম্ফাল ইষ্ট
১০. পৌনা রোড, ইম্ফাল
১১. সগোলবন মৈনো লৈরক, ইম্ফাল
১২. খুরাই পুথিবা লৈকাই, ইম্ফাল
১৩. থাংজিং চীং, মোইরাং
১৪. কৌব্রু চীং, শেকমাই

২. তুরেল য়াওবা লম মমীং:-

১. নম্বুল
২. ইম্ফাল
৩. থৌবাল
৪. ইরিল
৫. সেকমাই

৩. য়ুমনাক য়াওবা লম মমীং :-

১. কৈশামথোং ,ইম্ফাল
২. কৈশামথোং লোংজম লৈরক,ইম্ফাল
৩. ক্বাকৈথেল চিংথাম লৈকাই ,ইম্ফাল
৪. ক্বাকৈথেল থাংজম লৈকাই ,ইম্ফাল
৫. শিংজমৈ চোংথাম লৈকাই,ইম্ফাল
৬. নাওরেম লৈকাই,ইম্ফাল
৭. কৈশামপাৎ,ইম্ফাল

৪. পুং/বুং য়াওবা লম মমীং :-

১. নোংমৈবুং ,ইম্ফাল
২. শত্তমবুং ,ইম্ফাল

৩. মোরবুং,সেনাপতি

৪. কাংজৈবুং,ইম্ফাল

৫. লোকলাওবুং,ইম্ফাল

৫. খোং তপ্পা লম মমিং :-

১. শিখোং, য়াইরিপোক

২. চন্দ্রখোং , য়াইরিপোক

৩. নিংথৌখোং , বিসেন্সপুর

৪. বাশিখোং ,ইম্ফাল

৫. খোংমন, ইম্ফাল

৬. থম্বালখোং, ইম্ফাল

৬. পাৎ য়াওবা লম মমীং :-

১. কৈশামপাৎ, ইম্ফাল

২. চরাংপাৎ, থৌবাল

৩. পোইরৌপাৎ , য়াইরিপোক

৪. নিটাইপাৎ চিথেক , ইম্ফাল

৫. পোরোমপাৎ, ইম্ফাল

৬. পাৎশোই, ইম্ফাল

৭. থাঙ্গপাৎ, ইম্ফাল

৭. পুখ্রি য়াওবা লম মমীং :-

১. নিংথেম পুখ্রি মপাল , ইম্ফাল
২. মন্ত্রি পুখ্রি, ইম্ফাল
৩. চনম পুখ্রি মপাল, ইম্ফাল

৮. চীং য়াওবা লম মমীং :-

১. কাকচীং, থৌবাল
২. কবোব্রাকচীং, বিসেম্পুর
৩. চীংমৈরোং, ইম্ফাল
৪. চীংঙামখা, ইম্ফাল
৫. থৌবাল মোইচীং,থৌবাল
৬. ব্রাংচীং ,থৌবাল
৭. চীংনুংকোক, ইম্ফাল

৯. থেল য়াওবা লম মমীং :-

১. উমাথেল, চান্দেল
২. লাংঙাথেল, থৌবাল
৩. কৈথেল মানবী, য়াইরিপোক
৪. সঙাইথেল , ইম্ফাল

৫. লৈরোংথেল, য়াইরিপোক

৬. ক্বাকৈথেল, ইম্ফাল

১০. পাম্বী য়াওবা লম মমীং :-

১. খোংনাংবন,য়াইরিপোক

২. খোংনাংফেদেকপী,শিংজমৈ

৩. কেক্রুপাৎ, ইম্ফাল

৪. লিলাসিং খোংনাংখোং, ইম্ফাল

৫. লমবোই খোংনাংখোং, ইম্ফাল

৬. তেরা, ইম্ফাল

১১. শিফাই য়াওবা লমগী মমীং :-

১. ক্বাশিফাই, বিসেন্পুর

২. কিয়ামশিফাই, থৌবাল

৩. শিফাই লৈকাই,য়াইরিপোক

৪. ইরম শিফাই, বিসেন্পুর

১২. পল্লি য়াওবা লম মমীং :-

১. খাগেমপল্লি, ইম্ফাল

২. অয়াংপল্লি, ইম্ফাল

৩. মোইরাংপল্লি,থৌবাল

১৩. বন তপ্পা লম মমীং:-

১. খ্বাইরমবন, ইম্ফাল
২. থাংমৈবন, ইম্ফাল
৩. শগোলবন, ইম্ফাল
৪. ব্রাংবন, থৌবাল

১৪. থাক য়াওবা লমশিং :-

১. হাওবম দেব্রান লৈকাই, ইম্ফাল
২. মেঙ্গোর খুল, ইম্ফাল
৩. সেনাপতি, সেনাপতি
৪. য়েনখোইবা মেঙ্গোর লৈকাই, ইম্ফাল
৫. থাংমৈবন খোমদ্রাম শেলুংব লৈকাই, ইম্ফাল

-----

৩. চাংদমনবা ৱাহৈ

১. হুকচাংগা :-

১.	কোক চাউবা	- তৌফম খণ্ডদবা
২.	কোক লৈবা	- ৱাখল য়াম্না থোকপা
৩.	মখুৎ চাওবা	- য়াম্না পীথোকনবা
৪.	খুৎ-চংবা	- খুৎ থিংজিনবা, চেকশিনবা
৫.	খুৎ শাংবা	- হুরানবা, নুপীদা চোপকনবা
৬.	থমোয় কনবা	- মীনুংশি ৱাৎপা
৭.	থমোয় চাওবা	- মীনুংশি লৈবা
৮.	মায় থাবা/কনবা	- ইকাইবা খণ্ডদবা
৯.	থিবোং লাওবা	- য়াম্না চাগনবা
১০.	মোলোম তৌবা	- য়ানিংদবা
১১.	মচিন কনবা	- খুমগনবা, ঙাংগনবা
১২.	মচিন য়াওবা	- য়াম্না ঙাংগনবা
১৩.	মচিন চোৎপা	- চানবা ৱাত্তবা
১৪.	মচিন তোংবা	- মৱা চৎপা, মশক নাইবা
১৫.	মচিন চৎপা	- মশক খংনবা,লুচিংবা
১৬.	মচিন তুমখৎলক্লিবা	- য়াইফরক্লিবা

১৭. মচিন থিবা - ওয়দবা ঙাংবা
১৮. মচিন লুম্বা - ঙাংগন্দবা
১৯. মচিন পৈবা - মবুক পেলহনবা
২০. মখোং শাংবা - য়াম্না চৎকনবা
২১. ঙকচাও থেকপা - নাপল তৌবা
২২. মনা কনবা - তাশিন্নদবা
২৩. মমিৎ খানা - শাউনা
২৪. মখুৎ থুম্বা - পোৎচৈ থাবদা ফগনবা
২৫. মখুৎ য়াওবা - পংপাইদা পাইবা
২৬. খোং য়াওবা - পংচৎতা চৎপা
২৭. খুৎলিংবা মীচং শঙ্গা য়াম্না লৈবা
২৮. খুৎকনবা - মীচং শঙ্গা য়াম্না লৈবা

২. শা-উচেক্কা :-

১. ইরোয় - নানগন্দবা মী
২. ওক - চাকচা কাম্বা, পংচাদা চবা মী
৩. কৈ - ইচং থৌবা মী
৪. ক্কাক - মীথিংগাই তৌবা মী, গা গা লাউগনবা মী

৫.	গধা	- অপংবা মী
৬.	চরোয়	- চবেং চবেং ঙাংগনবা মী
৭.	তিল	- অপংবা,তুমিন লৈবা মী
৮.	তিলাইখোম্বী	- হৈনদবা মী
৯.	নোংশা	- অথৌবা,থৌনাফবা মী
১০.	লমহুই	- লৌনম্বা,তাৎতৌবা মী
১১.	ষন	- অপংবা মী
১২.	হুই	- মীনা থৌজিল্লিবা মথৈ চৎপা মী
১৩.	হৌদোং	- ইকাইখংদবা মী

----

৪. মান্নবা ব্রাহৈ

১.	লেমলৈ	- ঙা
২.	কোরৌ	- নুমিৎ
৩.	লোয়বী	- চীং
৪.		- শোয়োক
৫.	পামেল	- উ
৬.	তরং	- লাইজ-ঈশিং
৭.	লাঙ্গোয়	- শগোল-শামু
৮.	খোয়ুম	- লাই
০.	ইয়ুম	- মোংবা
১০.	খাম্বী	- মৈ
১১.	ওংলৌ	- হকচাং
১২.	পোয়রৈ	- মীতৈ
১৩.	পাম্বা	- কৈ
১৪.	পানোক	- শিংজং
১৫.	পাকলোই	- কোয়েৎ
১৬.	পালাংমৈ	- ঙানু
১৭.	মুকমু	- শল
১৮.	ইচুম্মা	- মরূপ-ইতাও-পাথৌ
১৯.	মেন্দচা	- কুরাক

২০. শেগ্বী - কবো
২১. খাবা - অথৌবা
২২. মাগ্বী - শগ্বী
২৩. মালং - নুংশিৎ
২৪. মাগ্লৌ - নহোংফি
২৫. মাক - লিরুং
২৬. মালেম - লৈবাক
২৭. ময়েল্লু - কাংলুপ
২৮. মরু -কোক-লু - কাওবী - তাংজা
২৯. পজেং -ফিরাল
৩০. মফি - লং
৩১. ফুইবা - পোকপা
৩২. পুরুম্বা - খুরুমবা - পুনেম্বা
৩৩. পাগোয় - পিশুম
৩৪. পশোৎ - অঙৌবা
৩৫. মিরেল - মি
৩৬. পাইথি - ফত্তবা
৩৭. নোঙ্গাবা - শিবা - নোংমনবা - খাঙলেনবা - অমল - অঙাং ওনবা
৩৮. নোংয়ৌনবা - পাইবা
৩৯. নোংবুম - নোংমা
৪০. নোংজা - নুমিৎ - তাওদনবা - কোরৌ

৪১.	নোইনু	- থুম
৪২.	নেম্বী	- শিংনাং
৪৩.	নুরা	- লৈশবী
৪৪.	নুংনাং	- অতিয়া
৪৫.	অঙাং	- নৱা - তোৱো- অঙ্গো
৪৬.	নাওনৌব	- পোকপা
৪৭.	থৌদু	- নুঙ
৪৮.	থেরেল	- লা
৪৯.	থেমগোইবা	- হৈনৌ
৫০.	থাঙ্গা	- লৈকাই
৫১.	থাংই	- ফৌ-লোইমোম
৫২.	থবী	- নুমিৎ - তিং তিং-থা
৫৩.	থমং	- ঈশিং
৫৪.	তোকপা	- হৌদোং
৫৫.	তোকমু	- য়োৎ
৫৬.	তোকতোকপিচা	- ঙমু
৫৭.	উরুক	- খুদেং
৫৮.	তুবী	- লাইরেল-নিংথৌ
৫৯.	তিমেন	- তা
৬০.	তাংজ	-লিল
৬১.	তাওবা	- হুই
৬২.	তল্লা	- পামেল

৬১.	তাওবা	- ছুই
৬২.	তল্লা	- পামেল
৬৩.	তরেৎ	- শেল
৬৪.	তনবা	- নীপা
৬৫.	চোংবিচা	- ঙাহৌ
৬৬.	চোইনৌ	- সনা
৬৭.	চেক্লা	- উচেক- পোম্বী
৬৮.	চেংলৌ	- শক
৬৯.	খোমশি	- শমজেৎ
৭০.	লুক	- চাক
৭১.	চিঙু	- লাই-খোয়ুম-খোইমোম
৭২.	চরাই	- ফকলোং-ফক
৭৩.	চারা	- পৌরোন
৭৪.	চিংখ্রং	- খুনুখ্রং
৭৫.	চাংজৌ	- লরাই - থায়ি
৭৬.	ফি	- কোংদিং
৭৭.	চাকমোম	- মৈ - কাল্লে - থাম্বী
৭৮.	চংবি	- কৈ
৭৯.	ঙাতোই	- ঙাখা
৮০.	ঙাইরোং	- শিং
৮১.	খুবাং	- খুৎ
৮২.	কোল্লোই	- মিং

৮৫.	কোং	- কংফাল
৮৬.	কুম	- চহি
৮৭.	কাপতিংচা	- কাকফৈ
৮৮.	কাওরেল	- শা
৮৯.	ঔরি	- থৌরি
৯০.	উনবী	- পুক্লিং
৯১.	উনথম্বী	- নপ
৯২.	ইবা	- নাবা
৯৩.	ইলেন	- ইন
৯৪.	ইমু	- ঈশিং
৯৫.	ইনুং	- অহিং
৯৬.	ইরাল	- ইয়ুম
৯৭.	তেম্মোয়	- তেনব্রা
৯৮.	তৌরাং	- ফক
৯৯.	শারি	- মোরোক
১০০.	তপ্তাই	- মোন
১০২.	তরা	- চাক
১০৩.	খেঙ্গোং	- মাঙ্গোল
১০৪.	চরৈ	- ফি
১০৫.	চানা	- নাপি
১০৬.	চিঙ্গোই	- মপাউ
১০৭.	চিংঙুরেল শাইদাংবা	- উরেংকোম্ফৌ

১০৮. চীংদ্রাই অমুবী - চরোয়
১০৯. চেংঙা - থব্রাই
১১০. চেংবী - লৈঙোয়-শেক্তা
১১১. তূম্বীবিচা - ইরোয়
১১২. কোনয়াই - সনা - লুপা
১১৩. জগোই - অনোয়-লৈপলৌ-চকোয়
১১৪. জং - কোলিং
১১৫. থংগ্রী - ইরুপ্পা
১১৬. কংলা - কোনুং
১১৭. থারাক - লৈ
১১৮. থোংনাং - ময়াং
১১৯. মোয়া - খুঙ্গং
১২০. তাউস্রীং - হৈ
১২১. তাইহুইরেং - থব্রানমিচাক
১২২. তান্দে - থাংশাবা
১২৩. তাবু - লুবাক
১২৪. তূনানবী - শন্দং
১২৫. তেকপী - ওক
১২৬. তেৎনৌ - য়োৎ
১২৭. তোংচেং - হি-ব্রাকয়ৈ
১২৮. তোংলেং - থব্রানমিচাক
১২৯. তোৎপা - শিব

১৩০. নামুংশা - শমুক-নোঙৌবী
১৩১. নিংনাং - হকরিনোংনাং
১৩২. নুংঙোনবী - নুংশিবী
১৩৩. নুরা - লৈশাবী
১৩৪. নেৎপা - লানঙম্বা
১৩৫. পম্হেংবা - লান্দাবা
১৩৬. পাইখু - ঔব্রা
১৩৭. পাৎয়ায় কোনথল্লা - থম্না
১৩৮. পানশঙ - লৈকাই
১৩৯. পালোক - চৈরাওবা
১৪০. পাম্বা - কৈ
১৪২. পুনুং - ফুরিৎ
১৪৩. পুনুংলাহে - লফোই
১৪৪. পুনুং হৈরুং - কুদাম
১৪৫. পুম - য়েক্তুম
১৪৬. পেং - লৌশিং
১৪৭. পেংলোই - হয়িং
১৪৮. পোইবা - কোইবা
১৪৯. পোং - মী
১৫০. পোঞ্জেল - পোল
১৫১. পোম্বী - অয়োকপা উচেক
১৫২. পোম্বী চীনপাকপী - ঙানু

১৫৩. মপুম - মামা
১৫৪. মনিং - মনম্মা
১৫৫. মরুম্বী - মতু-মরুম
১৫৬. মান্থিক - খুনু
১৫৭. মার - খোঙ্গুল
১৫৮. মুংফি - লৈরুম
১৫৯. মুংবী - লৈরাই, লম্বী
১৬০. মেনাং - হমেং
১৬১. মেল্লোং - খুদোনপোৎ
১৬২. মৈহুৎ - মৈখু
১৬৩. মোইগাই - চীন
১৬৪. লকা - থম্মোয়
১৬৫. লাইজ পিচা - কাংঙা
১৬৬. মোমনু - নুপী
১৬৭. লাংজৈ - ময়াই
১৬৮. লাংহৈ - কুম-চহি
১৬৯. লাল্লোয় - লাম্মী
১৭০. লুকথোং - ঙারৌ
১৭১. লৈখোং - কোনুং
১৭২. লৈচোল - কৈথেল
১৭৩. লোইদাম - থা
১৭৪. লোইদামচা - হঙোই

১৭৫. ব্রাইরংচেক - খব্রাং চাক
১৭৬. ব্রানজেং - ঙা
১৭৭. ব্রামুকচৈ - কলম-খোর্জৈ
১৭৮. শঙ্গাই - ঘুম
১৭৯. শঙদিং - ইয়োং, ফি
১৮০. শরি - ব্রাশক
১৮১. শীং - নুমিৎ
১৮১. শেংগোই - পীথ্রাই
১৮২. শোংবু - হাও-হেম্বা
১৮৩. হংকো - চক-চহিচা
১৮৪. হয়া -ইমা
১৮৫. হাজং - নাপি-শাজিক
১৮৬. হমলেন - লৈচিন
১৮৭. হৈনা - ভুং
১৮৮. হৈরু - কুদাম
১৮৯. য়াইবী - থব্রাই
১৯০. য়ারৌ - শা
১৯১. য়ুকু - ফৈজুপ
১৯২. য়াংলৈ - হুই
১৯৩. য়াংলৌ - লম্বেল
১৯৪. য়াব্রা - খোঞ্জেল
১৯৫. য়েন - কাইরৈ

মান্নবা ভার্ব

১. চৎলি - লেংই
২. চাই - হায়
৩. য়েংই - মিৎয়েংতাই
৪. হায় - নোলুকই
৫. হংই - হংগৎচৈ
৬. হৌগৎলু - লেংখৎলু
৭. চৎলু - লেংবিয়ু
৮. হায়বিয়ু - য়াথংবীয়ু
৯. লিউ - তম্বীয়ু
১০. পি - তম্মী
১১. নোকই - মোমোন তৌই
১২. তুম্মী - চেম্মী
১৩. থকপা - ফানবা
১৪. ফাইবা - হাম্বা
১৫. হানবা - থোকপা

----

৫. লোষ্ট্রে

১.	<u>মীতৈ</u>	-	<u>মোইরাং</u>
	অঙাং	-	তোরো
	অথৌবা	-	খাবা
	ঈশিং	-	লোকলৌ
	কংফাল	-	কোং
	ক্বাক	-	শীংজা
	ঙাখা	-	ঙাতোই
	নৌ	-	খুমু
	ফৈবাক	-	শেং
	মাইব	-	মোইবা
	মাইবী	-	মোইবী
	লৌমী	-	থাংউরেন
	শিঙজঙ	-	হায়বী
২.	<u>মীতৈ</u>		<u>খুমন</u>
	কংফান	-	য়া
	তুরোল	-	নমতু
	থম্মা	-	লাইরা

নৌ	- তাউত্তেক
পাৎ	- কোন
শিবা	- ফুবা
শঙ্গায়	- য়াকোন
য়েনবা	- শোইপাই
য়েনবী	- শোইথিং
শীংনাং	- নেম্বী

৩. <u>মীতৈ</u> <u>শেল্লোই লংমাই</u>

অথৌবা	- অয়াওবা
পুং	- খোং
মৈ	- য়াই
লিরুং	- মাক
লৌব্রাই লেম্ফু	- কোকে
শিবা	- তোৎপা
শেংলব	- পাল্লবা
শমজি	- কাইনৌ
শম্বু	- খিংখিং

	মীতৈ		লুৱাং
৪.	চীং অৱাংবা	-	লা
	থোং	-	তীংবী
	লম্বী	-	মুংবী

	মীতৈ		চকপা
৫.	ইনাও	-	নাসে/নাসী
	ইয়াম্বা	-	পসু/অপী
	কৈজেংলাং	-	হুলজেংসে
	ফুরা	-	ফয়া/ফৈয়া
	মৈখু	-	ৱালহু/ৱালখু
	শীঙ	-	ফোন/ফু
	হৌদোং	-	হঙগোল/হঙজীল

	ইম্ফাল		ককচিং
৬.	অৱামরোয়	-	হাওমরোয়
	ইনফি	-	নমথাং
	উরেংকোম্হৌ	-	উরোক
	কোৎনবা	-	চামোৎ

থাগিলৈহাও	–	থাংগা লৈহাও
খরমি	–	খরুংবী
ঙানম	–	ঙাতোম্বা
ঙাশাং	–	ঙাখা
চুমথাং	–	লাইরেনমনিংসা
তোক	–	তৈওন

ইম্ফাল		কাছার
ইতু	–	মৌ
উম্নবা	–	ফংনবা
কেরোসিন	–	হরা
কোমপাক	–	গমলা
খুজাই	–	তোসলা
খরমি	–	খরুবী
থোয়দিং	–	নুংশুক
থবক	–	মথৌ
নুমিৎ য়ুংবী	–	থরাইলাকপী
হরাইমঙ্গল	–	মোতোর

ইম্ফাল		খুরখুল
কোক তুম্বা	–	কোক চোৎথোকপা
খজিং	–	ঙাজিং

তেংনৌমানবী - তেংনৌ
পোগে - তেকপী
মাইখুম্বী - চুমাইচুম্বী
ময়াংতোন - ময়াংবী
ব্রাহিক - ব্রাহি
হৈজাঙ - হৈশাঙ

৯. ইম্ফাল শেকমাই

অব্রা ফদিগোম - মরোয়বাক ফদিগোম
ইতাও - মদাও
ইয়াম্বশিং - য়াম্বশিং
উয়ান - য়াব্রান
খোয়নিং - কোরিংকোৎ
খোঙবান - লাংখোং
থুমোক - শংবাই
পুংখোন থোৎলে- পুংখোন মেংএ
চাক চারবরা - চারপোৎলা/চাদ্রিবোৎলা
নাবা - নারে

১০. ইম্ফাল ফয়েং

ইবা - ইপে

খজিং	– খচিক
পুদে	– পুতে
ফংবা	– ফংপে
মৈরানবি	– মৈরানপি
দোলাই	– তোলাই
লুহোংবা	– লুহোংপে
খুদোপ	– খুতোপ
খুদম	– খুৎতম
য়েংবা	– য়েংপে

১১. <u>ইম্ফাল</u> <u>অন্দ্রো</u>

থাংমৈ	– পোদোন
অকুৎ অতোং	– কুদুক–কুদাক
খোয়নিং	– প্রেংখুৎ
নুমিৎ য়ুংবী	– চুম
চুম	– ফক্লাংচুম
ঙশাং	– ঙাখা
লৌরিথাং	– থাংজৌ
শিংখাংঙা	– খাংখা
লৈকং থরোই	– উথরোই
খোংবান	– লাংখোং

হম্বু	– হমম্বু
মোংতিং	– মোংহন
উমাইবী	– থরাং
হোংঙু	– হোংলু
হৈমাং	– হৈমরাং

৬. অশাংবা ফ্রেজ

১. লাংবন অওল্লুক চেঙবুম মনাউতোনগুম লনশিংবা
   - চপ চানা শিংবা
২. লৈকাই পুজরুক লাংবন লৌওল্লুকুম লনশিংবা
   - চপ চানা লমনখুম্বা
৩. লৈতাঙ শেক্কুরেক চেকলা নমঙৌবা - উরোক
৪. লাংবন খোইয়িমলাই ঙারেন য়ুমশংব - মি
৫. লাংবন শাওন লৈপুঙ কোইজ্রাউবা - মি
৬. ফাম্মোই মিৎতা ফম ফলং মৈদা তোংবা - ফম্বাল তোংবা
৭. পোইরৈ লৈখোঙ কায় ব্রাঙম তোৎনৌ চিতাই নাইবা
   - মৈত্রাবাককাইবা
৮. তুরেল মিথাংকাই তুবান মকোই এন নাউব্রা খোয়রেম্থাঙ
   - কোঙ্গ্রেং
৯. হাওশি খুদোপ মলব্রাইবী হাওমল লাংনা কেমলবী
   - মাংলবী
১০. শেনফান তুফাং চৈরোয় থাবা - শেম্বাং পাইবা
১১. শিনাই তরেং খোংফাং লৈবা - মোইথাপ নাই
১২. শনা কোনফু কাই লিক্রা ং চোইনা কেল থবা ঙাংলি তৎপা
   - শিবা

১৩. লৌশিং লাইজ ইয়েন পুঙ্কুম্বা - লৌশিং য়াম্মা লৈবা
১৪. লেমলৈ তুপ্তবা ব্রাংজেং কিন্দবা - ঙা মপুম
১৫. লাবা লুয়োই ইরেং থাংসু পাথং কুমজিং ফায়েৎলি
 - শমজিন
১৬. লাইজ ইপাল্লাং ইমু ময়োম শৎপা - ঈশিং শোকপা
১৭. মোমনু খোইনা ইথোক্লক নুরা লাংজেং ইকা লকপা
 - চাওবা হেল্লকপা
১৯. মোমনু য়েনপোৎ ইথৌরাং এলাং ইঙম তম্বা
 - ঐনা হোৎনজবা
২০. পরৈ লোনজা থৎ ফকলাং লোনজা মতাই কাংনা
 - ফক্লাং হোতোক্লুনা
২২. নোংপোক চকলাই থাংতোন কোনব - থাঙ্গোল
২৩. নিংথৌ ব্রাংবা শল লৌব্রাই মানশরিক - নাওশেক
২৫. চেংজা মাংইম্না লোইমোম তুংইম্না - চেংখৈবা
২৬. চিংথং খোমোল অঙল্লা ইয়াই লিকলু অথেংলা
 - মোইরাংথোইবী
২৭. খুবাং চাংজৌ তরানা ইদু কাইনা লিশিংনা - খুরুম্বা
২৮. কোরৌ পিথা সব্রাবন খুয়ৌ কাও - শগোল
২৯. কাংঙোই নুরাবী ফানা থাং - থাঙ্গোল
৩০. য়োইময়াই তাওদনবা মতাং তেল্লকলবা - নুমিৎতারমদাই
৩১. য়োইময়াইনা মতাং তেন অঙানবনা থোঙলেন খমলবা
 - নুমিৎতাবা

৩২. য়াইবী থব্রাই হিংবা অখন খমলৈ কম্বা - শিব চঙবা
৩৩. হৈরাং মচা য়ান তাউজীং মরু পানবা - মীরোনব
৩৪. হৈরাং লুকথোং পুনা হোইথিরুবা - লুহোংদুনা লৌবা
৩৫. খোমলেন তুমখুন হুন মিংয়েং নাওশুম তম্বা - কননা তুম্বা
৩৬. খোংবান চামলৌ লাতারেং নমঙৌবা - পাংখোকলা
৩৭. খোঙকাপ নাউরৈ থাং খুদোন লোকলৌ হুনবা - চৎপা
৩৮. খমলৈ মীনুংকোন শব্রা মীখুরোন - অশিলৈবাক
৪১. খমনুং কিকোই লওনবী নুরা পাউথেম হৈবী
- অশিবগী লাইরেম্বী
৪২. খম্নুং শব্রা তান অমং য়াইখোঙ কুম্বা - শিবা
৪৩. কৌবা চী ংনুং লোয় লোরা তৈমা ওল্লকপা - নোংঙাল্লকপা
৪৪. কোরৌ খাক্তুম খাক ব্রাংবন লাওদুম লাওনা
- নোং খাক লাওবা
৪৫. কোরৌ তমথরাং ব্রাংবন শিফারাং মচি চিরাইবা য়িমচৎলাং
- ব্রজ
৪৬. চীংঙু লেংথাং কোন নুংনাং সনাপুং - লাইরৈবাক
৪৭. থোংনাং মোংবা চীং মহুৎ - চীংনুংহুৎ
৪৯. পোম্বী ব্রাতুংথং চীংনুং নুরাবী - তেনব্রা
৫১. পোম্বী ব্রাইরং চেক মাকপা পানজুম্বী - খমব্রাংচাক
৫২. শোয়খোং তাইথেৎপা মনুং থোংগা পরৈবা লমলক লুথুম্বা
- নুপা নুপী লোনজানবা
৫৩. শোয়খোং তাইথেৎপা লমলক লুথুম্বা - লোম্না নুপী ঙাংম্বা

---

৭. হায়হে, পলহৈদবা ব্রাহৈশিং

কোনুংগা মরি লৈনবা

১. নিংথৌগী মমিং পনবা য়াদে ‘‘ইনিংথৌ /লাইমাবা/ লৈকোয় মপু/লাইনিংথৌ/লাইরেন/নিংথেম/ য়োয়মরেন’’ কৌগনি।

২. লৈমগী মমিং কৌবা য়াদে ‘‘লৈমরেনবী/লৈমশিজা য়োয়মরেনবী’’ কৌগনি ।

৩. নিংথৌ মচাগী মমিং কৌবা য়াদে ‘‘লিক্লাই মপারী/ মচাইবুংঙো’’ কৌগনি ।

৪. নিংথৌ মচানুপীগী মমিং কৌবা য়াদে ‘‘তম্ফা/ ব্রাঙমলোন/তম্ফসনা/মচাইবেম্মা/নোংবানলোন/ খয়োয়রোন/ইব্রাংলোন’’ কৌগনি ।

৫. নিংথৌ মচানুপী লৌবা নুপাগী মমিং কৌবা য়াদে ‘‘তঙাং/মমাক ইবুংঙো/তাইবুংঙো’’ কৌগনি ।

৬. নিংথৌনা ইরুজবা হায়হৈদে ‘‘চাইথবা’’ হায়গনি ।

৭. নিংথৌ অমদি ইমুং মনুংনা *হকচাং নাবা*/ *ঙমদবা* পনহৈদে ‘‘সনা হকচাং ইবা/ইরে/অয়ো নহে তম্বা’’ হায়গনি ।

৮. নিংথৌ চাক চাবা হায়হৈদে ‘‘লুক হাবা’’ হায়গনি ।

৯. নিংথৌ চৎপা পনহৈদে ‘‘সনা খোঙ লেংবা/সনা খোঙ শানবা’’ হায়গনি ।

১০. *নিংথৌ হিদাক থকপা* পনহেদে ‘‘খুদোং ফানবা’’ হায়গনি।
১১. লাউথোকপদা ‘হাৎপা’ হায়হেদে ‘‘অঙাং ওলহনবা’’ হায়গনি।

২. মিং ওয়না কৌহেদবা

১. ইথকথোংবা অহন্দা ‘নং’ কৌবা য়াদে।
২. ‘‘তম্ফা’’ ইচম চম্বা নুপীদা কৌহেদে।
৩. লেংগদা ‘‘অদোম/সোম’’ কৌগনি।
৪. মব্রাগী মিং পনহেদে ‘‘ঐখোয়নুপা/মাই তামো/মাই পাবুং’’কৌগনি।
৫. ‘মতু’ হায়হেদে ‘‘মশানৌ/নুপী/তালোয়/লোয়নবী/ইবেম্মা’’ কৌগনি।
৬. হেক পোকপীবা নুপাদা ‘নাপা’ হায়হেদে ‘‘অপোকপা/পন্থৌ/পাবুং/পাজি/পাবা’’ কৌগনি।
৭. হেক পোকপীবী নুপীদা ‘নমা’ হায়হেদে ‘‘অপোকপী/ইমা/পলেম’’ কৌগনি।
৮. উমংদা ‘মী মমিং’ পনদুনা কৌহেদে।
৯. নুমিদাংদা ‘হো’ হায়না কৌহেদে।
১০. নুমিদাংদা ‘হাও’ হায়না খুমহেদে। ‘করি হায়বগে/কনানো’খুমগনি।

৩. হায়হে পনহৈদবশিং

১. নুমিদাংদা 'কৈ' পনহৈদে 'ইবুধৌ' হায়গনি ।

২. নুমিদাংদা 'য়াইঙং' পনহৈদে 'মচু' হায়গনি ।

৩. চীং মান্দা 'লিন' পনহৈদে 'নাপি' হায়গনি ।

৪. ঙা ফারিঙৈদা 'হৌদোং' পনহৈদে ।

৫. চৎথোকলমদাইদা 'হৌদোং' পনহৈদে ''য়ুমলৈমা'' হায়গনি

৬. থবক থৌরম চৎলমদাইদা ''ঐ চৎলে'' হায়হৈদে ''ঐ চৎলুখিগে/ঐ য়ৌরুখিগে'' হায়গনি ।

৭. 'মরা নাইবা' হায়হৈদে ''ময়ুম পানবা'' হায়গনি ।

৮. নুপীনা 'মবুক কংবা' হায়হৈদে ''থাবুম তরা নাউপুবা'' হায়গনি।

৯. 'অঙাং খাও' হায়হৈদে ''শিয়োমনুং'' হায়গনি ।

১০. 'মচা পোকপা'' হায়হৈদে ''মমিৎ মমাই পাংবা /অঙাং উন্নবা''হায়গনি ।

১১. 'থি ফাইবা' হায়হৈদে ''থোঙ হাম্বা/মাংবা/মনুং অচৌবা চংবা'' হায়গনি ।

১২. 'য়ুং হানবা' হায়হৈদে ''মপান থোকপা/ইশিং চৎপা/শি হানবা'' হায়গনি ।

১৩. 'শিবা' পনহৈদে ''লৈতবা/কোরৌ নোঙ্গাবা/খমুং শরা তানবা/অমং য়াইথোং কুম্বা/লাই খুয়া তানবা/মৈতাম্না রাখৈবা/নোংমল্লবা'' হায়গনি ।

১৪. 'য়ুং হানফম' হায়হৈদে ''মপান থোকফম'' হায়গনি ।

১৫. 'থি ফাইফম' হায়হৈদে ''অমাংশঙ/খোঙহামফম''
হায়গনি

১৬. নুপা নুপী লোম্না থুপ্না/নমজা নমথেকনববু ''লাননবা''
হায়গনি ।

১৭. নুপীগী ঈতাববু ''থাগী লৈ লাকপা/মাংবা/চাকথুম
থোকপা/থাগী খোংকাপ লাকপা'' হায়গনি ।

১৮. 'নুপা নুপী তৌনবা'' হায়বা য়াদে ''শম্নবা/য়ুমদিম্নবা/
ফমজাও কাবা/ফমদিম্নবা/নাম্নবা/লৈরাং লোনজিন
চিনবা/হৈরাং লোনজা চাবা'' হায়গনি ।

১৯. 'অঙাং লুম্মী' হায়হৈদে ''মশা হকই'' হায়গনি ।

৮.ৱাহন

(১) পুক্নিংগা মরি লৈনবা ৱাহন লৈবা ৱাহৈশিং

১. নুংশিবা - নুংশি অমুক্তং হায়বীয়ু ।

২. শাওনিংবা -নংনা শাওরবসু ঐদি শাওবা ঙমলোয় ।

৩. কপ্পা - নংনা ইমাংদা কপ্লগা ঐনা করম্না খাঙঙমগনি ।

৪. খৌরাংবা - খৌরাংবনা খৌগংলবা ঐহাক্তি ।

৫. নোকপা - নংনা নোকপা উরগা ঐনা কয়াদা পেনজবা।

৬. নুংজাম্নবা - নুংজাম্নবা থম্মোয়শে কম্না খঙবিগনি ।

৭. নুংওনবা - নুংওনহনবীরে অমুকসু নহাক্না ।

৮. চাকপা-চাকহনবীরম্লগা নাথৈদুনা চৎখ্রে নহাক্তি ।

৯. লাংতক্লবা - লাংতক্লরে উনিংবনা নুংশি শক্তম ।

১০. লৈতাদবা - লৈতাহন্দে মিৎকুপ অমত্তসু নংনা ।

১২. ঙাইঙমদবা - ঙাইঙমদনা লাক্লে ননাক্তা ।

১৩. খোয়শাওনবা - খোয়শাওনহনবীরে চম্লবী ঐহাকপু ।

১৪. খোয়রাংবা - খোয়রাংহল্লে নুংশি নপাও তাদবদা ।

১৫. খোয়থুম্নব - খোয়থুম্নরবা নংগী খোনজেল অখিদবা কুইরে ।

১৬. খৌগংলবা - খৌগংলবা থম্মোয় মৈচাকনি ।

১৭. কলকপা - কলকপা নত্তে নুংশিবনি ।

১৮. অপাম্বা - অপাম্বা নত্তে নুংশিবনি খঙবীয়ু ।

১৯. পামদবা - পামদা পামদা লৌরবনি বিদাই ।

২০. কলকপা - কলকপা নত্তে নংগী মাইথোংগী ফজবদা ঐনা।

২১. খোয়দাবা - খোয়দাজে নংগী চন্নবা নতৌবু ।

২২. হরাওবা - হারাওবসু ঙমদে শাওবসু ঙমদে ।

২৩. হায়ঙমদবা - হায়ঙমদবা কয়ানি হায়নিংবা কয়া নফমদা ।

২৪. খাঙঙমদবা - খাঙঙমদবা চৈনাশে ফংদবা ওয়য়ুকো নংদি ।

২৫. ইকাইবা - ইকাইবা নংনা তাহনবীরে মীনুংশি খঙদবী ।

২৬. ইকাইদবা - ইকাইদবী মিংথোল ফংলসু থম্বীয়ু ননাক্তা লেংদনা।

২৭. লৈঙমদবা - নংবু উদনা মিকুপ অমতা লৈঙমদে ।

২৮. মীনুংশি - মীনুংশি খংদবীনি হায়বীগনু ।

২৯. মীহৌবা - মীহৌ চাওবী তাহনবীগনু ।

৩১. মৈচাক - নুংশি মৈচাক করম্মা খাংলসিগে ।

২. শেংবগা মরি লৈনবা ৱাহন লৈবা ৱাহৈশিং

১. শেংবা - ইথৈ শেংবা চৎলুবনি ।

২. চাম্বা - গারি চাম্বা শেংদে ।

৩. শুবা - ফি শুবা তল্লি ।

৪. শিৎলি - ইমানা অয়ুক খুদিং ৱাই শিৎলি ।

৫. তৈবা - মঙোল ৱাই তৈবা মতমনি ।

৬. নাম্থোকপা - নুংশেলদু অমুক্তদি নানথোকপা য়াই।

৭. ননথোকপা - নুরা থাংলিবদো ননথোকউ।

৮. খেৎতোকপা - লৈথোমদু খেৎতোকউ।

৯. থাবা - খোঙউপ কাপ থাবা কাউদে।

১০. মনথোকপা - এনসাংদো নাপি মনথোকউ।

১১. নিকথোকপা - লৈঙোয়দু নিকথোকউ।

১২. খৈবা - চেংদু অমুক্তং খৈবা য়াদ্রা।

১৩. কম্থোকপা - মোৎলিবশিংদু ফিনা কনথোকউ।

১৪. তকথোকপা - লিক্লিদু তকথোকপা য়াই।

১৫. হৈজিনবা - চামথোকখিনবা ইশিং হৈজিল্লু।

১৬. থাজিনবা - ঈশিং থাজিনবা মতমদা চেস্থগ্রনি ময়ামদু।

১৭. কোৎথোকপা-খুজিনগী অমোৎপশিংদু কোৎথোকপা য়াই।

১৮. ফেংবা - কোল্লিক ফেংবা নংহৌদ্রে।

১৯. ককপা - খুজিন ককপা ফাওবা তনবা মীনি।

২০. ইরুজবা - মসিগী মীসি ইরুজবা তনবা মীনি।

২১. তুম্বা - কোক তুম্বা ফাওবা তনবা অঙাংনি।

২২. লুপ্পা - সনাদু মোৎলে কোনশংদা লুপ্পা অমুক্তা চৎলু।

২৩. শৌদোকহনবা - য়োৎথিশিং চৎখিনবা অমুক্তং শৌদোকহনল্লু।

২৪. কামথোকপা - অমোৎপশিংদু অমুক্তা কামথোকউ।

২৫. ফুমজিনবা - অমাংবশিংদু লৈনুদা ফুমজিনবা য়াই।

২৬. ফোয়দোকপা - নকোয়দু অমুত্তা <u>ফোয়দোকউ</u> ।

২৭. থেৎপা - নরৈদু শেংনা <u>থেৎপা</u> হৈত্রা ?

২৮. থিনবা - নয়া <u>থিনবা</u> তম্মু অঙাং ।

২৯. হাম্বা - ঙসিগি থোঙ <u>হাম্বা</u> শেংদে ।

৩০. তাবা - নমিৎ নমায় <u>তাবা</u> শেংদে ।

৩১. তেংবা - নচিল <u>তেংবা</u> কাউগনু ।

৩২. তাথোকপা- নমিৎ নমায় শেংনা <u>তাথোকউ</u> ।

৩.লৌবগা মরি লৈনবা ব্রাহন লৈবা ব্রাহৈশিং

১. লৌবা = লৈ চারা <u>লৌবা</u> য়ারে ।

২. পুবা = নোংমাইজিংদা <u>পুবা</u> তারে ।

৩. ককহৌবা = লুপা চামা <u>ককহৌবা</u> য়ারোয় ।

৪. কোৎপা = এঙ্গাং <u>কোৎপা</u> হেনমল্লে ।

৫. চিংবা = ঈশিং <u>চিংবা</u> য়াররোয়।

৬. থাইবা = মৈ <u>থাইবা</u> য়াররোয় ।

৭. খায়বা = পৈশা <u>খায়বা</u> পীরক্তে ।

৮. নিহৌবা = <u>নিহৌবদগী</u> খরা ফংলে ।

৯. ব্রাইবা = গারি <u>ব্রাইবা</u> য়াই ।

১০.কোৎপা = লোম্নবা মৈ <u>কোৎপা</u> ফত্তে ।

১১.মোনবা = মথক্তু খরগা <u>মোনবা</u> য়ারি ।

১৩. ফাবা = ঙসিদি ঙা ফাবা য়াররনি ।

১৪. লকপা = ইন্দা ঙা লকপা মতমনি ।

১৫. লৈবা = পোৎচৈদু ঙরাং লৈবা য়াদ্রো ।

১৬. কাইবা = বেঙ্কতগী পৈশা কাইবা য়ারে ।

১৭. চেনবা = লুহোংদ্রিঙৈদা নুপী চেনবা চৎনৈ ।

১৮. লৌখৎপা = লুহোংদনা লৌখৎপা তারে ।

১৯. লুহোংবা = মাগী মচানুপীদু ইচানুপাদা লুহোংবা য়ারে ।

২০. থুই = ঙসিদি খোয়দা ঙা য়াম্না থুই ।

২১. শরুক = মসি নংগী শরুক্নি ।

২২. ফাৎপা = ঈশিং ফাৎপা য়াররোয় ।

২৩. শম্বা = ঈলেক্ট্রিক লাইন্দু নখোয়দগী শম্বা তারে ।

২৪. শোকপা = ঈশিং শোকপা ঙমদে ।

২৫. চিবা = ঈশিং খরগা চিবা য়ারি ।

২৬. য়েপশিনবা = নংসু খরা য়েপশিনবা য়াদ্রো ।

২৭. হাপচিনবা = হাপচিনবা য়ারিমখৈ হাপচিল্লু ।

২৮. ওকপা = তাবু তারকঅদি ওকপা য়াই ।

২৯. ফাওবা = ঙরাংদি মরুপতু ঐঙোন্দা ফাওবা য়াবনি।

৩০ লেনবা = ঐখোয়গী কৌনাদু নং লেনজখ্রো ।

৩১. চপ্পা = চপ্পা শুংয়া য়ারোয়।

৩২. থুগাইবা = থুগাইবা য়ারোয় ।

৩৩. ককপা = মীনা ককখিনি চেকশিল্লু ।

৩৪.খোকপা = ঙরাংদি ঐনা লোয়না খোকএ ।

৩৫.য়াৎপা = য়াৎলগা লৌথোকউ ।

৩৬.খাইবা = শিংদু খরা খাইদোকউ ।

৩৭.খপপা = য়াম্মা খপথিনু ।

৩৮.হিবা = ব্রা মশাদু হিদোকউ ।

৩৯.শেৎপা = শেত্তোকপা হৈত্র লৌরনু ।

৪০.হেকপা = মখোয়না লোয়না হেকখ্রবা ?

৪১.শানবা = উ মশাদু খরগা শান্দোকখো ।

৪২.ইৎপা = খরগা ইৎত্রবদি য়ারোয় ।

৪৩.শোয়বা = খরগা শোয়রগা লৌনে ।

৪৪.ফানবা = নাপি খরা ফান্দোকউ ।

৪. চাবগা মরি লৈনবা ৱাহন লৈবা ৱাহৈশিং

১. থকই = মহাক নুংতিগী শঙ্গোম থকই ।

২. চিকই = ময়া য়াওদ্রবনিনা চিকলগা চাবা ঙমদ্রে ।

৩. শাই = শাইর-শাইরগা ওয়নম্মী ।

৪. চুপ্পী = মহাক্না বরপ চুপ্পি ।

৫. উম্মী = মহাক্না মীথাই উম্মী।

৬. চিংই = মহাক্ন চুরুপ চিংই ।

৭. চাই = নংনা চাক চাই ।

৮. তংই = তোম্বনা মহাও তংই ।

৯. য়েংই = নংনা মুল্লব্রা য়েংই ।

১০. য়োৎপা = খনাওদা করিমত্তা য়োৎপা য়াদ্রে ।

৫. মুলহনবা/কংহনবা/লৌবগা মরি লৈনবা ৱাহন লৈবা ৱাহৈশিং

১. লৌবা = মৈদা লৌবা ঙা হাওই ।

২. কংহনব = খরগা কংহনবা ফৈনে ।

৩. য়াইবা = ঙা অয়াইবা চাসি ।

৪. ফৌবা = ফৌ ফৌবা কাওনি ।

৫. ওম্বা = লফোাই ওম্বা মতমনি ।

৬. লিবা = মরু মরাং লিবা য়াবে ।

৭. ঙৌবা = খাংদা ঙৌবা হাওতে ।

৮. তাওবা = ঙা তাওবা হৈত্রো ?

৯. থোংবা = মহাক থোংবা থকপা হৈ ।

১০. ফুৎপা = তোর্বোৎ ফুৎপা চানিংই ।

১১. শন্দোকপা = মরোয় মরাংদু খরা শন্দোকপা য়াই ।

১২. হাংদোকপা = হাংদোকপা য়াদ্রদি , পৎলনি ।

১৩. ফাক্তোকপা = ফাক্তোকত্রদি মনুংদু কংঙরোয় ।

১৪. চিথোকপা = চিথোক্রুবদি চোৎলনি ।

১৫. শিৎপা = ঈশিং শিৎপা য়াওরু ঙা ফাসি ।

১৬. চিংবা = চিংবা য়ারদি কংলনি ।

১৭. ঙানবা = মঙ্গা ঙানবা চাশি ।

৬. খোঞ্জেলগা মরি লৈনবা ব্রাহন লৈবা ব্রাহৈশিং

১. হায়বা = ঐ হায়বা তক্লি ।
২. লাওবা = লাওবা ফত্তে তপ্লা ঙাংউ ।
৩. ঙাংবা = ঙাংবা হেনমল্লে ।
৪. ঙংবা = ঙংদুনতা লৈ তানিংখিদ্রে ।
৫. শোনবা = লাই শোনবা হৌরকঅনি ।
৬. কপ্পা = কপ্পা ফত্তে তোকও ।
৭. কৌবা = কৌবা তাদ্রে ।
৮. শকপা = মহাক ঈশৈ শকপা মীনি ।
৯. থিবা = লাইরিক হায়বা থিবা তমলি ।
১০. চিনফা = মহাক্তি চিনফা ফাই ।
১১. খোংবা = মোইবুং খোংবা হৌরকঅনি ।
১২. কাম্বা = মানা কাম্বদি মখোন থোক্তে ।
১৩. য়ৈবা = মাদি পুং য়ৈবা হৈবনি ।
১৪. থিনবা = অমুক্তা থিনবা তোকউ তানিংদ্রে ।
১৫. খিংবা = গিটর খিংবা তাখিদ্রে ।
১৬. থগোকপা = থগোকপা ফরবরা ?
১৭. খাকপা = খাকত্রবসু তুমিন্না শিত্তোকখো ।

১৮. খোম্খাং = চিংলোমদা ওনশিন্দুনা লাও খোম্খাং তাসি ।

১৯. ব্রা ব্রা = ব্রা ব্রা লাউগনু মীনা তারগা ফজদে ।

২০. শুৎ শুৎ = ঙশাইদগীনি মানা শুৎ শুৎ কপলিবসে তানিংখিদ্রে ।

২১. মুরুম মুরুম = দোং দোং হায় য়াদ্রো, করিগী মুরুম মুরুম তৌরিনো।

২২. স্রি-স্রি = স্রি-স্রি শিংকনু য়া কুম্মী ।

২৩. চবেং চবেং = চবেং চবেং ঙাংগনু ।

২৪. গা- গা = য়াম্না গা গা লাওবা মীনি ।

২৫. শকপা = শক্লো ঈশৈ তারগে ঙসিদি ।

৭. ফৌগা মরি লৈনবা ব্রাহন লৈবা ব্রাহৈশিং

১. ফৌ = হন্দক্তি ফৌ য়ামনা কাই ।

২. ফৌদি = ফৌদি অফবা খল্লু ।

৩. ফৌহাম =ফৌদু ফৌহাম শাংলে ।

৪. চরু = চরু মপুন তরানি ।

৫. চরুখোক = চরুখোক য়াম্না শাংই ।

৬. ফুদিং = ফুদিং খপ্পি লাকপ্রা ?

৭. চেং = চেং তকপা চংলু ।

৮. ব্রাই = ফুঙ্গাদু ব্রাই হাপচিল্লু ।

৯. চেংকুপ =চেংকুপ খরা লৈরকউ ।

১০.ফৈদোম = <u>ফৈদোম</u> য়াম্মা পিকই ।

১১.ফৌনা = <u>ফৌনানা</u> ইশং শংলে ।

১২.ফৌচরোং = <u>ফৌচরোং</u> য়াম্মা ফৈ ।

১৩.ফৌবোম = <u>ফৌবোম</u> খুনবা নুংঙাই ।

১৪.লৌহোন = <u>লৌহোন</u> ফোয়বা লোয়রে ।

১৫.চাক = <u>চাক</u> চারসি লাকও ।

১৬.চগেম = চেংসি <u>চগেম</u> য়াম্মা য়াওই ।

১৭.চগা = <u>চগা</u> চারদি নোং তাই হায়নৈ ।

১৮.চগ্রিং = কোনসি <u>চগ্রিং</u> ঙাক্তা ঙাইরে ।

১৯.লুখাক = <u>লুখাক</u> য়াম্মা তাহনজনু ।

২০.চবোন = <u>চবোন</u> থকপা ফৈ ।

২১.চেংহি = <u>চেংহি</u> লুনখিদ্রে ।

২২.কবোক = চেং <u>কবোক</u> চানসি ।

২৩.ফৌমান = <u>ফৌমান</u> য়াম্মা য়াওই ।

৮.মচা/খরা খঙনবা ব্রাহন লৈবা ব্রাহৈশিং

১. মচেৎ = <u>মচেৎ</u> মচেৎ শেৎলু ।

২. মখাই = <u>মখাই</u> অমতং পীবিয়ু ।

৩. খিৎতং = <u>খিৎতং</u> পীয়ুদনা ।

৪. হৈক্রুমনা = তলবতি <u>হৈক্রুমনানি</u> ।

৫. খুয়া = চেং <u>খুয়া</u> অমত্তা পীবিয়ু ।

৬. মতৎ = সিদি মতৎ মতানি ।
৭. খজিক = খজিক খজিক লৌ ।
৮. শুকতং = শুকতং পাম্মী ।
৯. দং/তং = খরদং লৌরগা য়ারে। খজিক্তং পামই ।
১০. নাও = মনাও অমত্তং লৈরকউ ।
১১. নৌব্রা = অঙাং নব্রা ওয়রিঙে ।
১২. অঙাং = অঙাং ফুবিগনু ।
১৩. নহা = নহা ওয়না নিশা চাগনু ।
১৪. মহা = হঙোয় মহা থাই ।
১৫. ঙখা = ঙরাংগী ঙখা নংনসু ।
১৬. অপিকপা = অপিকপা ঙাক্তা খল্লু ।
১৭. হৈক্রুমরু = হৈক্রুমরু মানসু ।
১৮. পেৎলাওবা = য়ারেসে পেৎলাওবা অঙাংনি ।
১৯. পেতব্রা = পেতব্রা নংনসু হৌজিকপু ।
২০. চার = উ চার লৌখ্রবনি ।
২১. লৌহোন = লৌহোন ফোয়রুসি ।
২২. মমৈ = মমৈদি পামদে মকোক পামই ।
২৩. পিক্রু = পিক্রুদুরা ?
২৪. পিকনাও = পিকনাও সিদা কিরিবা ।
২৫. মকক = মপুম ফংদে মককনি ।
২৬. মতেক = থাংতেক ঙাক্তা ঙাইরে ।
২৭. লমচা = ষন লমচা অমতং পামই ।

২৮. মচা = মচা অমত্তা লৌজগে ।
২৯. খৈতা = খৈতা লৌজবা য়াগদ্রা ।
৩০. মশুং = মঙোন্দা মশুং অমতং পীয়ু ।
৩১. মকা = মকা অমতং থাকউ ।
৩২. খরা = খরা খরা চামিম্নসি ।

৯. পাম্বীগা মরি লৈনবা ব্রাহন লৈবা ব্রাহৈশিং

১. মরু = হন্দক্তি মরু ইফৎ ফত্তে ।
২. মউ = মউ ইকং কংই ।
৩. মরা = মবা ইশাং শাংদে ।
৪. মখোং = মখোংদা তিল চংই ।
৫. মতোন = হৌজিক্তি মতোন চোংদ্রি ।
৬. মশা = মসিগী পাম্বীসি মশা য়াম্না লোংই ।
৭. মকু = মকু য়াম্না থাই ।
৮. মমিৎ = মমিৎ য়াম্না য়াওই ।
৯. মপান = হন্দক্তি মপান য়াম্না শাৎতে ।
১০. মহৈ = মহৈ য়াম্না পাল্লি ।
১১. চরোং = চরোং চরোং য়াম্থে ।
১২. মচি = মচি ইপান পান্দে ।
১৩. কাচি = কাচি য়াম্না পাল্লি ।

১৪. মনা = মনা য়াম্মা পাল্লি ।

১৫. তিংখং = গুলাপ তিংখং পানবা পাম্বীনি ।

১৬. উক্রোং = লিনদু উক্রোং মনুংদা চংখ্রে ।

১৭. ময়োন = ময়োন চোংদ্রি ।

১০. লৈগা মরি লৈনবা ৱাহন লৈবা ৱাহৈশিং

১. লৈনা = লৈনা থদৎপীগনু ।

২. লৈখোক = লৈখোক্তা তিংখং পাল্লি ।

৩. অপোম্বা = অপোম্বা লৈ হেকপিগনু ।

৪. অশাৎপা = অশাৎপা লৈশিংসি ফজদ্রা ?

৫. লৈরিক = থম্বালগী লৈরিক য়াম্মা য়াওই ।

৬. লৈকা = লৈকা য়াম্মা ফজৈ ।

৭. লৈখোং = লৈখোং শোম্বীয়ু ।

৮. চরোং = লৈ চরোং অমত্তা পামই ।

৯. তিংখং = লৈখোক্তা তিংখং পাল্লি ।

১০. লৈনম = লৈনম চাওবী কেতুকিনি ।

১১. লৈহি = লৈহিতা পাম্বা খোয়মুনি ।

১১. নোং চুবগা মরি লৈনবা ৱাহন লৈবা ৱাহৈশিং

১. থিৎলি-থিলি = ঙাইখো থিৎলি-থিৎলি তারি ।

২. জম-জম = জম-জম তারেহে ।

৩. ফুদিৎ-ফুনা তাবা = ফুদিৎ ফুনা তারবদি ফৌ কেল্লম্মনি

৪. ব্রা-ব্রা = নোং ব্রা-ব্রা তারেসে ।

৫. উচি মপাম চৎপা = হেরা ওাইহাক্কিনি, উচি মপাম চৎপা নোংনি ।

৬. নোং চুবা = নোং চুবা চুদবা হায়বা ওমদে ।

৭. নোং তাবা = নোং তাবা ব্রাৎলবনিনা মহৈ মরোং ফররোয় ।

৮. লেন = লেন তাই মপান থোক্কনু ।

৯. নোংলৈ-নুংশিৎ = নোংলৈ - নুংশিৎ তৌই ।

১০. মকুপ-মকুপ = নোংম মকুপ-মকুপ তারি ।

৯.লৈতবা, য়ানিংদবা ব্রাহৈগী মশক

মীতৈলোনদা লৈতবা,য়ানিংদবগী ব্রাহন লৈবা ব্রাহৈশিং :-

মীতৈলোনগী থৌতাক(ভার্ব) ব্রাহৈশিংগী অরোয়বদা মথাগীব্রাতপশিংসি তপশিল্লগা য়ানিংদবগী ব্রাহনথোক লোমদাপুখি। মদুদি :-

খুদম

তে/দে/ই/লি/মোয়/লৈই/লোয়/রে/রোয়/ঙোয়/পোয়/লে

১.মথক্কীব্রাতপশিংসিদগী"লোয়, ই, লি, মোয়, রে, পোয়, ঙোয় অমসুং লে" হায়বনচিংবা তুংব্রাতপশিংসিদি য়াম্না তাংনা শীজিন্নৈ।

খুদম :

১. ই

১. ঐ নংবু শাওনিংই।

২. লি

১. নংনা হায়রিবদু লাল্লি।

২. মফমদু ঐ চৎপা তল্লি।

৩. মোয়

১. থবক অদু ঐ ঙমমোয়।

২. ঐ ঙসি অহিং তুম্মোয় ।

৪. পোয়

১. শিরবসু কপ্লোয় ।

২. ঐ চৎকনি, লেপ্লোয় ।

৫. রে

১. মহাক্না শোয়রে ।

৬. লে

১. ইরিবদু লাল্লে ।

২. কোৎতু হাংলে ।

৭. ঙোয়

১. মহাক্না হায়রসু ঙাংঙোয় ।

২. ফনা য়াম্না হায়রবসু খংঙোয় ।

৮. লোয়

১.ঐ চৎলোয় ।

২. ঐ গাড়ী তোংলোয় ।

২. মশা মথন্তা য়ানিংদবগী ব্রাহন লৈবা ব্রাহে খরসু ফংই । মদুদি; উংহুং, তুৎ, মে,(অকামপেশিং) হাওদা, হোয়রোংদা, নমাদা, নপাদা,নপুদা, নতুদা, নব্রাদা অসিনচিংবনি ।

হায়রিবা ব্রাহৈশিংসিগী মনুংদা শীজিন্নফমগী মতুং ইন্না মখাগী অসুন্না খাইদোকপা য়াই

১. অঙাংশিংনা শীজিন্নবা :- উংহুং, তুৎ, কাংকোক অমসুং মে।

২. মচিনথিবা (অকামপেশিং)অমদি চৈবদা :- হোয়রোংদা, হাওদা, নমাদা, নপাদা নতুদা, নব্রাদা, নপুদনচিংবা ব্রাহৈশিংনি ।

৩. 'ঙাং' হায়বসি চিন্না হায়বগী ব্রাহন চেনবা ব্রাহৈ মচেৎনি। মসিদা করমা য়ানিংদবগী ব্রাহৈ শেন্না য়াবগে হায়বদু, মখাগী অসুন্না য়েংবা য়াই ।

খুদম:

ঙাং

১. ঙাং + দে = ঙাংদে
২. ঙাং + জ + দে = ঙাংজদে
৩. ঙাং + নিং + দে = ঙাংনিংদে
৪. ঙাং + জ + রোয়= ঙাংজরোয়
৫. ঙাং + জ + নিং + দে = ঙাংজনিংদে
৬. ঙাং + জ + নিংদে + দো= ঙাংজনিংদেদো
৭. ঙাং + জ + র + রোয় = ঙাংজররোয়
৮. ঙাং + জ + নিং + দ্রে = ঙাংজনিংদ্রে
৯. ঙাং + জ + নিং + দ্রে + দো
= ঙাংজনিংদ্রেদো

১০. ঙাং + জ + র +রোয় + কো

= ঙাংজররোয়কো

১১. ঙাং + জ + রম + লোয়+দ+ব+নি+দো

= ঙাংজরমলোয়দবনিদো

১২. ঙাং + জ + র ম + লোয় + দ + ব + নি

+ দ +কো = ঙাংজরমলোয়দবনিদকো

মথক্কী খুদম (৩) দা রুৎ (ব্রারু) 'ঙাং' দা তুংব্রাতপ মাপল অমুক তপশিন্দুনা ব্রাহৈ কয়ামরুম শেন্নগসু ব্রাহন্দি অপুনবগী ওয়না য়ানিংদবগী ব্রাহন পুদুনা চৎলি । 'চ' 'জ' য়াওরকপা মতমদা *হায়জবা, নোংলুকপ* গা লোয়ননা *য়নিংদবা* উৎলি । 'কো' হায়বসিনা মনিংদা তপ্পগা নিংঙমদনা য়ানিংদবদু ফোংদোকই । 'দ্রে' হায়বসিনা হান্ন ঙাংলুরগা, তারু-থংলুরগা য়ানিংদবদু ফোংদোকই । 'দে' হায়বসিনা 'ঙাংব্রা' গী পাউখুম ওয়না পিবদা শীজিন্নৈ । 'ঙোয়', 'রোয়' নচিংবনা ''ঙাংগেরা/ ঙাংঙু'' হংবগী পাউখুম ওয়না পিবরোমদা চৎলি । মথক্কী অসুমনা য়াম্না কুপথনা নৈনবদা খজিক খজিক খেন্নবা লৈরগসু য়ানিংদগী ওয়নদি অদুম চেন্দুনা লৈ । অসুম্না মীতৈলোনগী ভার্ব (থৌতাবশিংদা) ব্রাতপশিংসি তপশিন্দুনা য়ানিংদবা/নত্তবগী ব্রাহন শেম্বা য়াই ।

৪.   ‘তম্লি’ হায়বা ব্রাহৈসি য়ানিংদবগী ব্রাহন চেনবা ব্রাহৈনি অদুবু ‘তনদে’ হায়না ‘লি’ গী মহুত্ত ‘দে’ হায়বা ব্রাতপ তপশিল্লগদি য়ানিংবগী ব্রাহন্দা ওনখি। ‘দে’ হায়বসি য়ানিংদবগী ব্রাতপ ওয়দুনতা লৈতে । ‘ই’ অমসুং ‘নি’ হায়বা ব্রাতপশিংসি মশাগী য়ানিংবগী ব্রাহন লৈজবা তারগসু ‘শাওনিং+ই’ অমসুং ‘‘শাও+নি’’ হায়না অরোয়বদা লাক্লগদি য়ানিংদবগী ব্রাহনলোমদা চৎখিগনি । ‘লোয়’ হায়বা ব্রাহৈসিদা ‘দে’ তপ্লগনা য়ানিংদবা অদুগা ‘রে’ তপ্লগনা য়ানিংবা ওয়খি । ‘লোয়’ হায়বসি মশাগীসি নত্তবা ব্রাহন অদুম লৈজে ।

---

১০. ৱাহন য়াম্বা মোনোসেলেবিক ৱাহৈশিং

মীতৈলোনবু বাংলা ময়েক্কা ইরকপা বনাননা খোলহায় (তোন) খণ্ডহনবা, তাকপা য়াদবা মতাং লৈ । বাংলা লোন অমদি বাংলা ময়েক্কী চৎনবীনা অমনি মীতৈলোনগী চৎনবীনা অমনি । করিগুম্বা অপুবা ৱাহৈদদি ৱাহৈদুমক্কী বনান নত্ত্রগা খোম্থোক্কুমক ইবা চৎনৈ । খোলহায় (তোন) লৈবা ৱাহৈ ওয়দুনা তোন উৎকে হায়রদি লেবোরেটরিদা চাংয়েং তৌদুনা **I.P.A** দা বনানদু ইবনা খ্বাইদগী চুমগনি । মখাদা মীতৈলোনগী মেনোসেলেবিক ৱাহৈশিংদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ৱাহনশিং অমদি তোঙান তোঙানবা মশক ওয়খিবদু খুদমগা লোয়ন্না পীজরি ।

১. থাউ

১. পম্বীগী মরুনচিংবদগী শুংবা চাবা য়াবা মহি ।
(থাউ চামনবা ফত্তে)

২. খুত্তা করিগুম্বা অমা পাইরগা লংহনবা ।
(নুঙনা হেক্তা থাউ)

৩. মরু/পাম্বী মচা হৌহন্নবা লৈবাক্তা থাহনবা ।
(উ চারদু থাউ)

৪. পোৎ-চৈ,ইপাউনচিংবা অতোপ্পা মফমদা য়ৌহল্লু ।
(পাউশিংদু ইম্ফালদা থাউ)

৫. মৈ চাকহল্লু । (চরুদু মৈ থাউ)

৬. থম্মু । (মথক্তগী পোৎশিংদু সিদা থাউ)

২. থাই

১. পাদে । (মশাদু য়াম্না থাই)

২. পান্নবা তৌবা । (খুপাক্লা থাই । নুংনা থাই)

৩. মৈ চাকহনবা। (শীংজা মৈ থাই)

৪. পাম্বী /মনা-মশিং হৌহন্নবা তৌবা। (মরু-মরাং থাই)

৫. পোৎ-চৈ, ইপাউনচিংবা অতোপ্পা মফমদা য়ৌহনবা তৌবা ।(তোম্বদা চিঠি থাই)

৬. মফম ।(গাড়ীদু পার্কিংদা থাই)

৭. চৎহল্লি। (রেলদু পুং মঙাদা থাই)

৩. নাই

১. হকচাংদা ফাওরকপা চৈনা।
(মহাক নাই হায়বা তাদে শিপ্পবোয়রে ।
খুপাক্লা থারকপদু নাই ।)

২. হকচাংদা পোম্বা/শোকফমদগী থোরকপা অনংবা মহি। (নাই য়াম্না থোকখ্রে)

৩. মপুনা লোয়বা/থম্বা মীওই।(মপু মনাই চৎখ্রে)

৪. নুপীদা পাদোংই । (নুপদুনা নুপীদু নাই হায়খ্রে)

৫. লান্দবা/মফম অমদা চৎলি । (লাইনিংথৌনা সমশোক নাইএ)

৬. য়ুম্বাললি । (মবা নাই ফংহৌদ্রবীশিংগী শগুলেন)

৪. পাই

১. অরিবা পৈশা মখল অমা। (পাই অমা ফাওবা নপত্রে)

২. থাদে । (ঐদি ইশা পাই)

৩. লাইরিক খণ্ডম্নবা হোৎনৈ।(মহাক কয়া পাই)

৪. নুশিৎতা চৎলি। (উচেক পাই)

৫. লৈ । (মহাক পৈশা য়াম্না পাই)

৬ হৈথোয়-শীংথোয় । (লাইরিক পাইবমখৈ হৈ)

৭. খুত্তা লৈ । (তা পাই)

৫. ফৈ

১. ফত্তবা তৌদে । (মহাক্তি ফৈ)

২. উ-ব্রানা শাংনা থিংই । (ব্রানা ফৈ উনা ফৈদে)

৩. তুহল্লু। (পোৎতু য়ুংনা থমগনু ফৈনা থম্মু)

৪. চুমদে । (উখোংদু ফৈরে য়াররোয়)

৫. চফুনচিংবা থম্নবা ই/চরুনা শাবা অকোনবা ।
(হৌজিক্তি ফৈ শীজিন্নদ্রে)

